**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-10-2026)**

**গোবিন্দাস (এল)ঃ** গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়রি-সুনুলোক মীহাৎতা চেন্নবশিং ফানবা ওপরেসন মখা তানা চথরি। মহাকা হায়-কাংলুপ-ফুরুপ খায়দনা অসিগুম্বা মরাল লৈজদবা মীচমশিং হাৎপা আইননা য়াদবা খুৎলায় পায়বশিংগী মথক্তা ওপরেসন অসি লেপ্তুনা চত্থখিগনি।

মন্ত্রিনা ঙসি সঙাইথেলদা লৈবা ওলিম্পিয়ান পার্কতা সিদস গ্রীন লিগেসি ওরচার্দ হৌদোকপগী থৌরম য়াওবা লাকপদা পাউমীশিংদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-সুনুলোক মীহাৎকা মরী লৈননা ফারবা মীওই অহুম অদু কুকি নেসনেল ফ্রন্টকী কাডরনি হায়বা মশানা য়াজরে। অদুম্মকপু, মখোয় অদু করম্বা ফেক্সনগী কাডরনো হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি। মখা তানা ৱাহং পাউহং চত্থরি।

শ্রী গোবিন্দাসনা ঙসি সঙ্গাইথেল ওলিম্পিয়ান পার্ক সিদস কমপ্লেক্সতা সিদস গ্রীন লিগেসি ওরচার্দ হৌদোকখি। থৌরম অদু ঙসি থাবা উপানবীশিংনা তুংগী মীরোলদা কানহন্নবা হায়বা ৱাখল্লোনদা সোসিও ইকোনোমিক এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট দিবলপমেন্ট সোসাইতি (সিদস) না শিনবনি। এদিটরস গীল্ড মনিপুর অমসুং মনিপুর সরকারগী হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টনা পুন্না কো-স্পোন্সর তৌরগা ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন অমসুং মনিপুর হিলস জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ননসু মতেং তৌবনি। অয়াম্বনা কচাইগী চম্প্র ওইবা উ-চারা ২০০ রোম থাখি।

ওরচার্দ অদু হৌদোক্লদুনা শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-উহৈ পানবা উ থাবগী অসিগুম্বা থৌরাং অসি য়ামা অফবা থৌরাং অমনি। মসিনা রাজ্য অসিগী মরু

কোল্লবা চীংশিং পুংশঙ শঙহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি ইম্ফালগী মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েটতা জপানদা বেজ তৌবা জেন-কেন কোরপোরেসন অমসুং জপানিস সোসিএল ৱেলফিয়ার কোরপোরেসন তরুক্কী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই শান্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা শরুক য়াখিবা জপানদা বেজ তৌবা মীওই কয়াদা থবক পীরিবা সোসিএল ৱেলফিয়ার কোরপোরেসন তরুক অদুনা ইম্ফালদা লাক্কুনা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী লৈবা নেসনেল স্কিল দিবলপমেন্ট কোরপোরেসন (এন.এস.দি.সি) ইন্টরনেসনেল একাডমীদা রিক্রুইটমেন্ট দ্রাইব চৎথদুনা লমদম অসিগী নহাশিং জপানদা থবক তৌহন্ননবা খুদোংচাবা পীরি। রিক্রুইটমেন্ট দ্রাইব অদুবু মনিপুর সরকারগী দিপার্টমেন্ট ওফ স্কিলস, লেবর, ইমপ্লোইমেন্ট এন্দ ওন টরপ্রেন্যুরসিপনা মতেং পীখিবগা লোয়ননা লমদম অসিগী নহা ১২ জপানদা থবক তৌননবা খনখ্রে।

পনবা য়াবদি, জপানদা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা মনিপুরগী নহা ২৩০ রোম থবক তৌরি। মসিগা লোয়ননা জপানদা ত্রক অমসুং টেক্সি দ্রাইভর ওইনা থবক তৌননবা নহাশিংদা ত্রেন্নিং পীননবা থৌরাং তৌদুনা লৈরে হায়রি।

**বন্দ (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী খাঙবোক-সঙ্গাইয়ুম্ফম এরিয়াদা মীওই অমা শিখিবগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিনা কৌবা পুং ৪৮ গী মনিপুর পুম্বগী জেনরেল ষ্ট্রাইকনা মরম ওইদুনা ঙসি থৌবাল য়াওনা মফম কয়াদা মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা থোকখি।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়-জেনরেল ষ্ট্রাইক শৌগৎপশিংনা থোরক্কুনা থৌবালগী কৈথেল অমসুং দুকানশিং থোং লোলহনখি অমদি লম্বীদা চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা পীখি।

মরক অসিদা, খাঙবোক সঙ্গাইয়ুম্ফম এরিয়াদা থোকখিবা হিংশাগী থৌদোক্কা মরী লৈননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ঙরাং অহুমশুবা মীওই অমসু ফারে। ফারবা মীওই অদু নুমিৎ তরানি পুলিস কষ্টদিদা শিন্নখ্রে। পুলিসনা হায়-ঙসিসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা খাঙবোক সঙ্গাইয়ুম্ফম এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথুখি। মদুদা দবল বেরেল নোংমৈ অমা, মরু ১৪ ফাগৎলে। ফোরেন্সিক ইগজামিনেসনগীদমক থারগনি হায়রি।

অমরোমদা, থৌবাল জিলাগী খাঙবোক অমসুং সঙ্গাইয়ুম্ফম এরিয়াগী লাইসেন্স য়াওবা নোংমৈ পুমমক হয়েং ফাওবগী মনুংদা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নরকবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট থৌবালনা ওর্দর অমা থোকখ্রে। নোংমৈশিং অদু মফমশিং অসিদা হৌজিক থল্লিবা অথিংবা হুকুম অদু চৎনরিবা ফাওবা পুলিস ষ্টেসনদা থমগদবনি হায়রি।

**ফেরজোল (এল)ঃ** ফেরজোল জিলাদা লাক্কদৌরিবা বিধান সভা মীখলগী অহানবা রিভিয়ু মিতিং ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ই.আর.ও. জোসাংলুর জোতেনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা মোদেল কোড ওফ কন্দক্ট, লো এন্দ ওর্দর, এক্সপেন্দিচর মোনিটরিং অমসুং সু কেম্পশিংগী পোষ্টেল বেলোট শেন্বগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

দিপ্যুতি কন্মিস্নার কেম্প ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লাক্কদৌরিবা মীখল অসি নীংথিনা অমসুং নিয়ম চুমা পাঙথোক বগীদমক জিলা অসিগী ওইনা নোদেল ওফিসার ১৮ খনখ্রে। ই.আর.ওনা নোদেল ওফিসারশিং অদুদা মখোয়না তৌগদবা থবক থৌরমশিং অমদি মখোয়না লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**মেরা (এল)ঃ** মনিপুরদা চীংবুরোই তম্বুরোই অনিগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা পাঙথোকপা কুষ্মে-‘মেরা হৌ চোংবা’ থা অসিগী ২৬ নিংথৌকাবা নুমিৎতা

পাঙথোক্লগনি।

মহৌশা পাঙথোকপগা মান্নদবা মওংদা কুম্মৈ অসি কুমশি চহিগী ওইনা নুমিৎ হুমনি চুপা পাঙথোক্কনি হায়রি। মেরা হৌ চোং থৌশিল লুপ-সনা কোনুংগী ভাইস চেয়ারমেন-মুতুম মণিতোননা ইম্ফালগী কোনুং মমাংদা লৈবা হিল চীফস গেষ্ট হাউসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা হায়-মৈহৌরোলদগী চৎনরক্লবা মেরা হৌ চোংবগী থৌরম অসি চহি খুদিংগী ওইনা তোপ তোপ্পা মশক অমদা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মেরা হৌ-চোংবা থৌরমদা শরুক য়াগদবা চীংবুরোইশিং হয়েংদগী লাকপা হৌরগনি। মখোয়বু মনিপুরগী নিংথৌ-লৈশেম্বা সনাজাউবনা সনা কোনুংদা তরামা ওক্কনি।

**অমুর (এল)ঃ** তমেংলোংদগী সেটিলাইট টেক তৌরগা থাদোকখিবা অমুর ফালকোন মহাক্কী চহি অমগী লমকোই খোঙচৎ লোয়শিল্লবা তুংদা তমেংলোংদা অমুক হল্লক্লে। সেটিলাইট টেক তৌরগা থাদোকখিবা উচেক-অপাপাং অমসুং অলাং ঙরাং তমেংলোং জিলাদা হল্লকখ্রে।

তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজনগী পাউ মতুং ইন্না অপাপাং অমসুং অলাং মখোয় অনি মায় পাকা হল্লকপা অসিনা মখোয়না চৎলুবা খোঙচৎ অদুগী মায়কৈ, লম্মিৎ-তুমিৎ অমদি অতৈ হীরম কয়া খঙবা ঙম্বগা লোয়ননা উচেক মখল অসি ঙাক শেন্দুনা থম্বা অমসুং মখোয়গী চাক্তফম অমদি লৈফম ঙাকপী শেনবীনবা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি হেন্না মায় পাকপা মায়কৈরোমদা চংশিনবা ঙমগনি। উচেক অনি অসিনা তেক্তা কায়দনা অমুক হল্লকপদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা উচেক মখল অসিবু কন্নবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং অসি য়ামা পুকিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা অমনি।

উচেক মখল অনি অসি তমেংলোং জিলাদা মায় পাকা হল্লকপা অসি কেন্দ্রগী ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ মন্ত্রি-ভুপেন্দর যাদবনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মন্ত্রিনা হায়-উচেকশিং অসি তমেংলোং জিলাদা মখোয়গী মখা তাবা খোঙচৎ অমুক হৌদ্রিঁৱৈদা চয়োল অনিদগীনা অহুম ফাওবা লৈখিগনি।

**বেঙ্ক (এল)ঃ** ৱার্ল্ড বেঙ্কনা শৌগৎপা কেন্দ্রগী এম.এস.এম.ই. মন্ত্রালয়গী মখাদা পায়খৎপা রেজিং এন্দ এসিলারেটিং এম.এস.এম.ই. পার্ফোমেন্স (রেম্প) গী মতাংদা মীয়ামবু ভাব তাহন্নবা উদ্যায়ম থৌরম অমসুং ওন লাইনদা লেমা রেজিস্তার তৌবগী থৌরম অমা ঙসি নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতগী লোংমাই পার্ট ফোরদা পাঙথোকখ্রে।

মনিপুর ইন্দিষ্টিয়েল দিবলপমেন্ট কোরপোরেসন লিমিটেদ অমদি রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ত্রেদ কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিজকী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রিজ সেন্টর-নোনে, তমেংলোংনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা উদ্যায়ম রেজিষ্ট্রেসনগী কান্নবা কয়া মীয়ামদা পীখি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী তোঙান তোঙানবা ৱার্ডশিংগী ফিভম হেন্না ফগৎপা মওংদা শেমগৎলে। মসি হোস্পিতাল অসিদা লৈরিবা অনাবশিংগী হকশেলগী ফিভম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎপা খোঙথাংনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অদুগী নৌনা শেমগৎলবা ফিভম অদুদা অপেনবা ফোংদোক্লদুনা হোস্পিতাল অদুগী মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট-ডা: ফ্রান্সিস দাইমৈনা হায়-মসি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অসিগী য়ামা চাউথোকচনিংঙাই ওইবা অমনি। ফিভম অসি ওইনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিরিবা পুমমক অমদি হোস্পিতাল অসিদা মথৌ তৌরিবা ডাক্তর, নর্স অমদি অতৈ ষ্টাফশিংবুসু মহাকা থাগৎপা ফোংদোকখি।

**ব্লড (এল)ঃ** বিজিলেন্স এৱারনেস ৱিক-২০২৬ কা মরী লৈননা লেমা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙসি জেনিমসকী ব্লড সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু মনিপুর রুরেল বেঙ্ক অমসুং জেনিমসকী ব্লড বেঙ্কনা পুন্না শিন দুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ২০ না ঈ দান তৌখি।

**মীলাল(এল)ঃ** মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোন অপুনবা লুপ (মীলাল) অমদি এদল্ট এদুকেসন বিভাগকা খুৎশমদুনা চহি ৪০-৫০ গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা মীতৈ ময়েক তম্বীবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ওবজারভেসন ওফ উলাস লিটরেসি ফোরটনাইট হায়বা হীরম অসিগী মখাদা পাঙথোকখিবা মীতৈ ময়েক তাকপী তম্বীবগী থৌরম অদুদা এদল্ট এদুকেসন বিভাগ-থৌবালনা পুথোকপা ইবা-পাবা হৈননবা মীতৈ ময়েক্কী লাইরিকনচিংবসু য়েন্থোকখি।

**রিমস (এল)ঃ** রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী কেম্পস অসি অতোপ্পা মফমদা চৎথোক চৎশিন তৌনবগী মীয়ামনা ফাওদুনা চৎপা নবেম্বর অমদগী য়াররোই।

রিমসকী মেদিয়া সেলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-অনাবা, মখোয়বু শেন্নবা কাংবু, ডাক্তর, হেলথ কিয়ার প্রোফেস্নেল অমসুং ষ্টাফশিং অমদি ইন্সটিট্যুট অসিদা চংবা য়াবা মীওইশিং য়াওনা ওথোরিতিনা অয়াবা পীরবা মীওইশিংতমক কেম্পস অসিদা  চংবা য়াগনি। কেম্পস মনুংদা পামদবা থৌদোক থোরকপা অমসুং সেক্যুরিতিগী য়েংলগা ৱারেপ অসি লৌরকপনি হায়রি।

**মুরমুঃ** ছাতিসগর, নক্সলাইটকী ইরাং লৈতবা রাজ্য অমা ওইরে।

রাজ্য অদুগী জগদলপুরদা লৈবা লালবং মৈদানদা পাঙথোকপা বাস্তর দসেরা ফেষ্টিবেল ২০২৬ তা শরুক য়ারদুনা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়-

রাজ্য অদুদা নক্সলাইটকী ইরাং লৈত্রবনিনা ত্রাইবেল কাংলুপকী নহাশিংনা লৈবাক্কী চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংদা অকিবা লৈতনা অমদি পুকিং চংনা য়াওশিনবা ঙম্লগনি। মসিনা লৈবাক অসি চাউখৎহনবদা হেন্না মতেং ওইরগনি।

রাস্ত্রপতিনা হায়-রাজ্য অদুদা নক্সলাইটকী ইরাং লোয়শিন্নবা হোৎনবদা কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারনা হোৎনখিবা অদুবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা হায়-মসিনা রাজ্য অদুগী মীয়ামদা অকি-অখঙ লৈতনা মশা-মশাগী থবক থৌরম কয়া ইংনা-চিকা পাঙথোকপা ঙম্গনি। লৈবাক অসিনা ইং কুমজা ২০৪৭ তা মপুং ফানা চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনরিবা অসিদসু মসিনা অচৌবা মতেং অমা ওইরগনি। রাজ্য অদুদা লৈরিবা মীয়ামনা রাজ্য অদুগী উমংগী শরুক অমদি চীংগী শরুকশিংবু ঙাক শেনদুনা মহৌশাগী ওইবা ঈশিং নুংশিৎ অমদি অকোইবগী ফিভম হনজিলহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংনবা রাস্ত্রপতিনা আপিল তৌরি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৈবাক অসিগী নহাশিংনা সরকারনা পায়খৎলিবা থৌশিল থৌরাংশিং হেন্না পামরকপগী ফিভম অমদা চংশিল্লক্লি।

ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা ঙসি পাঙথোকপা চিনময়া অমৃত মহোতসব গ্লোবেল সমেলন হৌদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা চহি ২৫ অসিদা মহাক া মীয়ামগী অমদি লৈবাক অসিগী থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা মীয়ামগী সেবা তৌদুনা লাক্লি।

মহাকা কেন্দ্রগী লুচিংবা অমা ওইরকপদগী লৈবাক অসিগী শিক্ষাগী থবক থৌরমশিংদা অওনবা অমা পুরকবগীদমক নেসনেল এদুকেসন পোলিসি হৌদোকখি। মসিনা লৈবাক অসিগী নহাশিংদা অনৌবা মখলগী গ্যান লৌশিং কয়া পীবা ঙম্লি।

লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমকা অমত্তা ওইনা হোৎনমীন্নদুনা লৈবাক অসিবু মপুং ফানা চাউখৎনবা হোৎনমীন্নবগী তঙাইফদবা অদুসু প্রধান মন্ত্রিনা

ফোংদোকখি।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৯ শুবা ইপিসোদ থা অসিগী ২৫ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**টিবেৎঃ** টিবেৎতা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম নাককু সিটিগী বাকেন কাউন্তিদা রিক্তর স্কেলদা ৭ য়ৌনা অকনবা য়ুহার হাবদগী য়ামদ্রবদা মী ১৬ শিরে, ৫৪ হেনবনা শোকলে। য়ুহার হাবা অদুদা য়ুম-চা কয়া তেকখ্রে অমসুং চিংথক্তগী নুঙজাউ কয়া ওন্থরকখি। মী কনবগী থবক তৌবা মীওই লিশিং ১,৬০০ রোম শিজিন্নদুনা অৱাবা নংলবশিং তেংবাং পীবগী থবক অমসুং অথু-অকায়গী মতেং পাংবগী থবক লেপ্তুনা চখ্‌রি।

ভারতকী নেসনেল সেন্টর ফোর সিসমোলোজিনা হায়-য়ুহার হাবা অদু ভারতকী মতম ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ মিনিট অহুম অদুৱাইদা থোকখিবনি। লাসাদগী কিলোমিটর ৪০০ রোম লাপা লৈবা মফম অমগী কিলোমিটর ১৭৩ রোম লুবা মফমদা ইপিসেন্টর ওইবনি।

**ভোল্লিবোলঃ** খেল্লো ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ৭১ শুবা বটালিয়ন সি.আর.পি.এফ. গোবিন্দপুরনা শিন্দুনা ওপন কেটেগোরি নোকআউট

ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ঙসিদগী ক্বাক্তা পব্লিক প্লে গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা বিষ্ণুপুর জিলাগী টিম ১৬ না শরুক য়ারি।

**গেমসঃ** জপানগী এসিয়ান পেরা গেমসতা ভারতকী পেরা সুট্টর-মোনা অগরৱালনা নুপীগী মিটর ৫০ গী রাইফল থ্রি পোজিসন এস.ঐচ. ৱান ইভেন্টতা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্ড থমদুনা সনাগী তকমান ফংলে।

মসিনা মহাক্কী অনিশুবা সনাগী তকমাননি। মমাংদা, মহাকা নুপীগী মিটর তরাগী ইয়ার রাইফল ষ্টেন্দিং এস.ঐচ.-ৱান ইভেন্টতা সনাগী তকমান ফংখি।

অমরোমদা, এসিয়ান গেমস অসিদা হোকি মশান্নদা সনাগী তকমান লৌরকখ্রবী ভারতকী নুপীগী হোকি টিমদা গোল কিপ্পর ওইখিবী-খারিবম বিচু দেবীবু ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোকি এসোসিয়েসননা তরামা ওক্তুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

থৌবাল জিলাগী চরাংপাৎ মনিং লৈকাইদগী খারিবম রোমেন সিংহ অমদি খারিবম ইবেমমা দেবীগী মচানুপী খারিবম বিচুনা এসিয়ান গেমসকী হোকি মশান্নদা ভারতকী টিমগী গোল কিপ্পর ওইদুনা মায় পাকখিবনি। গেমস অদ্দা ভারতনা চাইনাবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখিবনি।